**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লাক্লিবা হরাউ কুম্মৈশিং অসি লৈবাক অসিদা পুথোকপা পোৎলমশিংগা লোয়ননা পাঙথোকবা অমসুং ভোকেল ফোর লোকেলবু মখোয়গী মন্ত্র অমা ওইহন্নবা হায়রি।

২) রাজ্যগী ভেটরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেস বিভাগনা রাজ্য অসিদা রেবিস লায়না মপুং ফানা লাকশিন্নবা হোৎনরি।

৩) নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড ফুড ইন্দিয়াগী মরিসুবা ইদিসনদা মণিপুরগী ষ্টোলশিংনা মীয়ামগী পুকিং চিংশিনবা ঙমখি।

৪) কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- মথং চহিগী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিদগী লেফটৱিং এক্সত্রিমিজম মরু ফংনা মুথৎলগনি।

অমসুং

৫) তামিলনাদুদা মীয়াম নেৎশিন্নবগী থৌদোক্তা মীওই ৪০ হেন্না শিখিবা থৌদোক অদু থিজিন্নবা ইনক্বারি কম্মিসন অমা শেমখ্রে।

------

মনকি বাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লাক্লিবা হরাউ কুম্মৈশিং অসি লৈবাক অসিদা পুথোকপা পোৎলমশিংগা লোয়ননা পাঙথোকবা অমসুং ভোকেল ফোর লোকেলবু মখোয়গী মন্ত্র অমা ওইহন্নবা হায়রি।

অকাশবানিগী থোঙদা শান্দোকখিবা মহাক্কী মনকি বাট থৌরমদা শ্রী মোদিনা হায়- লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা হরাউ কুম্ধে কয়া মথং মথং লাক্লি অমসুং মরক অসিদা জি.এস.টি বচৎ উৎসবসু পাঙথোক্লি। লৈবাক অসিদা পুথোকপা পোৎলমশিং শিজিন্ননবা মীয়ামদা তকশিল্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- থৌওং অসিনা ইমুং অমদা আশা পুরকপগা লোয়ননা আর্তিসান অমগী হোৎনজমনবুসু ইকায় খুমহনবা ঙমগনি অমসুং হৌগৎলক্লিবা ওন্তরপ্রেন্যুরশিংগী আশাগী ময়োল চোংহনগনি। হরাউ কুম্ধে মনুংদা ইমুং মনুং অমদি মসিগী অকোইবা খক নত্তনা অতৈ মফমশিং লম্বী-শোরোক, কৈথেল অমদি খুঙ্গংনচিংবা তরু-তনান্না থমবসু হোৎনগদবনি।

মহাত্মা গান্ধিনা লৈবাক অসিদা শাজবা পোৎলমশিংবু শিজিন্ননবা পুকিং থৌগৎলম্বা অদুবু পল্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা চহি ১১ অসিদা মীয়াম্বু খাদিগী পোৎলমশিংদা পুকিং চিংশিন্নবা অকনবা থবক পায়খৎলি। লাক্লিবা ওক্তোবর ২ গান্ধি জয়েন্তি নুমিৎতা মীপম্ খুদিংমকা খাদিগী পোৎলম অমমম লৈনবা অমদি সোসিয়েল মিদিয়াদা ভোকেল ফোর লোকেলগী পাউজেল শন্দোক বসু শ্রী মোদিনা হায়রি।

ক্লাইমেট (এল) ঃ নেসন ফার্ষ্ট এদ দরেট সভের্ন্টি ফাইব কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা রাইট ফোর ইনভাইরোনমেন্ট হায়বা সাইকল রেল্লি অমা ঙসি অয়ুক ইম্ফালগী থাউ গ্রাউন্দদগী লমথাখ্রে।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা রেল্লি অদু বিগাগ অসিগী দাইরেক্তর-টি. ব্রজাকুমারনা লমথাখি। ইম্ফালগী পোরোমপাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেটকী ওফিসতা লোইশিনখি।

থৌরম অদুদা এ.ঐচ.টি.আই. মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-ডা: টি.ঐচ. পালিনসু শরুক য়াখি। রেল্লি অদুদা মনিপুর এদভেঞ্চল এন্দ মাউন্টেন বাইকিং এসোসিয়েসন, রিভর বেঙ্ক সোসাইতি, সাই এন.ই.আর.সি, ওল মনিপুর

ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ)নচিংবগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

নোং (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ ৫ নি অসিদা রাজ্য অসিগী মফম খরদা নোং চুরবা য়াই।

পাউ অসিনা হায়- তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল জিলাদা থা অসিগী ২ ফাওবা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুগনি। তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, ইম্ফাল ৱেষ্ট, উখ্রুল, জিরিবাম, নোনে, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাগী মফমশিংদা ঙসি নোং তাগনি।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না ঙসি বিষ্ণুপুর জিলানা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৪ গী মথক্তা লৈদুনা খ্বাইদগী শাবা জিলা ওইখি। অদুগা তেংনৌপল জিলানা সেলসিয়স দিগ্রি ২৪ লৈদুনা খ্বাইদগী ইংবা জিলা ওইখি।

ডে (এল)ঃ রাজ্যগী ভেটরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডাঃ আর.কে. খোগেন্দ্রজিৎ সিংহনা হায়রি- রেবিস লায়নাদগী শা-ষনশিংবু ঙাকথোকবগীদমক অথুবা মতমদা পুন্না থবক পায়খৎমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। রেবিস লায়না অসি চাদা চামা খুদোংথিনিঙাই ওইজরবসু মতম চানা হিদাক কাপথোকপা অমদি চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলবদি লাইনা ঙাকথোকপা য়াবা লায়না অমনি।

রাজ্যগী ভেটরিনারি অমসুং এনিমেল এজবেন্দরি সার্ভিসেস বিভাগনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী শঞ্জেনথোংদা লৈবা ফারমর্স ত্রেনিং হোলদা পাঙথোকপা মালেমগী রেবিস নুমিৎকী পালন থৌরমদা ৱা ঙাংমদা দাসরেক্তর ডাঃ আর.কে. খোগেন্দ্রজিৎনা হায়- য়ুমদা মীয়ামা লোইরিবা হুই হৌদোংশিং মতম চানা রেবিসকী হিদাক কাপথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। করিগুম্বা হুই হৌদোংশিংনা খজিক্তং ওইরবসু খুজিলনা খোৎলবদি ডোক্তরগা তান্নদুনা লায়েংথোকহৌগদবনি।

ভেটেরিনারি হোস্পিতালশিং অমসুং দিসপেন্সরিশিংদা এন্তি রেবিস ভেক্সিনশিং চহি চুপ্পা ফংহন্দুনা লাক্লি হায়রদুনা ভেটেরিনারি বিভাগনা রাজ্য অসিদা রেবিস লায়না মপুং ফানা মুথৎননবা পান্দম থল্লি।

এক্ট নাউ-য়ু-মি এন্দ কম্ম্যুনিতি হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল শঞ্জেনথোংদা লৈবা ষ্টেট ভেটেরিনারি হোস্পিতালদা অখন্নবা এন্তি রেবিস ভেক্সিনেসন কেম্প অমসু হাংদোকখি অমদি মীয়াম্বু মমুৎ তানা খঙহন্নবা পমপ্লেটশিংসু চাইথোকখি। রাজ্য অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ভেটেরিনারি ওফিস খুদিংমক্তসু থৌরম অসি পাঙথোকখি।

ফুড (এল)ঃ নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড ফুড ইন্দিয়াগী মরিসুবা ইদিসনদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ষ্টোল ১৬ না শরুক য়াখি । ষ্টোলশিং অসিগী মনুংদা ত্রেদ, কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রি, হোর্তিকলচর, এগ্রিকলচর অমসুং ফোরেষ্ট বিভাগকী ষ্টোলশিং য়াওরি।

ফোরেষ্ট বিভাগকী মখাদা লৈবা বন্ধন বিকাশ কেন্দ্রশিংনা পুথোকপা পোৎলমশিংসু মেলা অসিদা শরুক য়াখি। মণিপুরগী জি.আই.টিক ফংলবা উহৈ ৱাহৈশিং, কচাইগী চম্প্রা, চাকহাউ, শোইবুম য়াওনা অতৈ চানবা পোৎলম মেলা অসিদা উৎখি। মণিপুরগী ষ্টোলশিংদা উৎলিবা পোৎলমশিং অসিনা মেলা অসিবু য়েংবা লাকপা মীয়ামগী পুকিং চিংশিনবা ঙমখি । মসিনা মণিপুরগী পোত্থোকশিং অসি মালেমগী মীয়ামদা খঙহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

থা অসিগী ২৫ দগী হৌখিবা মেলা অসি ঙসি লোইশিনখ্রে। কেন্দ্রগী ফুড প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রালয়না শিন্দুনা পাঙথোকপা মেলা অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবনি।

তেংনৌপল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কমিতি তেংনৌপলনা শিন্দুনা মাইক্রো, স্মোল অমসুং মেদিয়ম ইন্তরপ্রাইজেসশিংগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি জিলা অসিগী থল্লাই ভিলেজ কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা

উদ্যম রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি। প্রোগ্রাম অসি দিষ্ট্রিক্ট ইন দষ্টি সেন্তরগী মীৎয়েং মখাদা শিনবনি।

কেম্পেইন (এল)ঃ বি.জে.পি. ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং বি.জে.পি. ক্ষেত্রিগাউ মন্দলনা শিনদুনা জিলা থাক্কী অত্মা নিভর ভারত-সংকলপ কেম্পেইন (হর ঘর স্বাদেসি) ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোমপাৎ থৱানথাবা কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্পেইন অসি রাজ্য থাক্কী ওইনা হৌখিবা তাং ২৫ বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসনা শিনদুনা ইম্ফালগী থম্বাল শঙলেনদা হৌদোকখিবনি। কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা চাংদমবশিং পাঙথোকপা, লমদম অসিদা শাজবা পোৎলমশিং উৎপা ইগজিবিসন পাঙথোকপনা থৌরমগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

ইরাবত (এল)ঃ লময়ানবা হিজম ইরাবত নিংশিং লুপনা শিন্দুনা রাজ্য থাক্কী লাইয়েকপা চাংদমবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী খোংমন মংজিল কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট থাংজম শুবাসচন্দ্রনা হায়- মহৈরোইশিংদা লময়ানবা ইরাবতকী ৱাখল্লোন অমদি ফিদম অদু চেলহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা চান্দেল জিলাগী শজিক তম্পাক্তা লৈবা প্রাইমারি হেলথ সেন্তরদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী লানভা মোদেল গভর্নমেন্ট হাইস্কুলদসু ঙরাং মেদিকেল এইদ কেম্প পাঙথোকখ্রে। মদুদা পুন্না মীওই ২৭০ হেন্না লায়েংখি।

অসাম রাইফলস, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এইদস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল য়ুনিত চান্দেলনা শিন্দুনা স্বাস্থ নারি সাসক পরিবার অভিয়ান অমদি

ইন্তেন্সিফাইদ আই.ই.সি কেম্পে অমসু চান্দেলদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা মীওই ১২০ হেন্না লেমা লায়েংখি অমদি পোৎলম কয়াসু পীখি।

ক্বিজ (এল)ঃ সিক্কিমগী গেংতোক্তা পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট রিজনেল লেবেল রেড রিবন ক্বিজ কম্পিতিসনদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা মাদরস প্রাইদ ঐকাদমিগী মহৈরোই অনি অহোংশাংবম মুকেশ অমসুং এলিসন থৌদামনা মকোক ওইরক্লে। অথোই অহেন তান্নবা অদুদা সিক্কিম অমসুং ত্রিপুরানা অনিসুবা অমসুং অহুমসুবা তাখি।

মহৈরোই অনি অসিনা মায় পাক্লকপদা মণিপুর এইদস কন্ট্রোল সোসাইতিগী দাইরেক্তর ডাঃ হাওরুংবম তেরেসানা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

লিগেল (এল)ঃ ওল মণিপুর বার এসোসিয়েসন (অম্বা) অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসন খুৎশমদুনা মীয়ামদা আইনগী মরমদা নিংথিনা খঙহনবগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ককচিং জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা পোক্সো এক্ট, প্রোহিবিসন ওফ চাইল্ড মেরিএজ এক্ট অমদি দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স এক্টনচিংবগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

কেম্প (এল)ঃ মনিপুর বিধান সভা সদস্য-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী গোপিনাথ যাত্রি নিৱাসতা জন্ন সেবা আউটরিটচ অমসুং ৱেলনেস কেম্প অমা হৌদোকখ্রে।

নিংথৌখোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা লমদম অদুগী মীওই কয়াগী মিৎ লায়েংবগা লোয়ননা হিদাক লাংথক লেমা পীখি।

মৈ (এল)ঃ লাইব্রেরী এন্দ ইনর্ফোমেসন সেন্টর ককচিংগী ওদিটোরিয়মগী শরুক খরা ঙসি অয়ুক অঙনবদা মৈ চাকখ্রে।

ঐখোয়গী ককচিং পাউমীনা হায়- মৈ অদু ইলেক্ট্রিক্ট সোর্ট সারকুইটনা মরম ওইদুনা চাকখিবনি। তুংদা, মৈ অদু ফয়ার সার্ভিস ষ্টেসন-ককচিংগী টিম, ক্লব অমদি মফম অদুগী মীওই কয়ানা কন্না হোৎনদুনা কনবা ঙমখি।

সাহ ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- মথং চহিগী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিদগী লেফটৱিং এক্সট্রিমিজম মরু ফংনা মুথৎলগনি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা নক্সেল মুক্ত ভারত লোইশিংনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহনা হায়- ইং ২০১৪ দা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার লাকপা মতমদা লৈবাক অসিনা জম্মু কাশ্মীর, অৱাং নোংপোক লমদম অমসুং লেফটৱিং এক্সট্রিমিজম কোরিদোরদা হিংশাগী থৌদোক কয়া থোক্কুনা লৈবাক অসিগী সেক্যুরিতিদা চাউনা শিংনবগী অৱাবা মায়োকখি। শ্রী সাহনা হায়- সরকার অসিনা তুং কোইনা চৎনগদবা থৌরাং কয়া পায়খৎলকপদগী সমস্যশিং অসি ঙসিদি লাকশিনবা ঙমলে।

অৱাং নোংপোক লমদমদা সেক্যুরিতি পার্সোনেল শিবগী চাং শিংথানিঙাই ওইনা হন্থরে।

তমিলনাদু ঃ তামিলনাদু সরকারনা ঙরাং করুরদা পাঙথোকখিবা রেল্লি অমদা মীয়াম নেৎশিন্নবগী থৌদোক্তা মীওই ৪০ হেন্না শিখিবা অদুবু থিজিন্নবা মীওই অমনা শাবা ইনক্বারি কম্মিসন অমা শেমখ্রে। হান্নগী হাই কোর্টকী জজ, জষ্টিস অরুনা জগদিসননা থৌদোক অসি থিজিনগনি। মরক অসিদা মেদিকেল ইদুকেসন দাইরেক্তরগী মতুংইন্না থৌদোক অদুদা শোকপদগী মীওই ৮০ রোম তোঙান তোঙানবা হোস্পিতালশিংদা লায়েংলি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং মশক খঙদোক্লবা মতুংদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ ২-২ অমদি অশোকপশিংদা লুপা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ছত্তিসগর ঃ ছত্তিসগরগী কানকের জিলাগী তিরিয়ারপানি উমংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক্তা মাওইষ্টকী মীওই অহুম শিরে। মসিগী মনুংদা নুপী অমা য়াওরি। শিরবা মাওইষ্টশিং অদুদগী এস.এল.আর অমা, পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, তুয়েল্ভ বোর নোংমৈ অমা অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

জিলা অদুগী এস.পি- আই. কল্যান এলসেলানা হায়- থৌদোক অসি দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ভ গার্দকী টিম অমনা মফম অদুদা মাওইষ্টশিং লৈরম্বা য়াই হায়না চিংনবদগী ওপরেসন চথরিঙৈদা মাওইষ্টশিংনা সেক্যুরিতি ফোর্স তমা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী হন্দুনা কাপ্পদা মাওইষ্টকী মীওই অহুম অদু শিখিবনি।

ভগৎ ঃ লৈবাক অসিনা ঙসি নীংতম লান্মী ভগৎ সিংহগী ১১৮ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎতা মহাক্কী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎলি।

ভগৎ সিংহ ১৯০৭ কী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা হৌজিকা পাকিস্তানদা লৈখ্রবা পঞ্জাবকী লিয়ালপুর জিলাদা পোকখি। মহাক মচিন মনাও তরেৎকী মনুংদা অনিশুবনি। মহাক্কী পোকফম খাটকারগী সহিদ ভগৎ সিংহ নাগরদসু ঙসি রাজ্য থাক্কী থৌরম অমা শিল্লি। নৌনা শেম্বা ফুট ১০০ ৱাংমা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরালসু চিংখৎকনি।

জিএসটিঃ থা অসিগী ২২ দগী চৎনবা হৌখিবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখিবা জি.এস.টি. বচত উৎসবনা খুন্নাইগী কাংলুপ খুদিংমক্তা কান্নবা ফংহল্লি। নেক্স জেনরেসন জি.এস.টি. রিফোমসনা ভারতকী ইন্দাইরেক্ট টেক্স সিষ্টেমদা শিংথানিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমা থাংজিল্লি।

মসিনা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং অমদি সার্ভিসশিংদগী লৌবা খাজনাগী চাং হন্থহন্দুনা মীয়ামদা চাউনা কান্নবা ফংহল্লি। নেক্স জেনরেসন জি.এস.টি. রিফোমসকী মখাদা সরকারনা শান্ন খোৎনবগী পোৎলমশিংদা লৌবা খাজনাগী চাং হান্না চাদা ১২ ওইরম্বদু চাদা ৫ দা হন্থহল্লে।

জয়শঙ্কর ঃ  মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা ঙরাং নুমিদাং নিউ য়োর্কতা য়ুনাইতেদ নেসন্সকী সেক্রেতরি জেনেরেল এন্তোনিও গুতরেসকা উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নখ্রে। মখোয়না য়ুনাইতেদ নেসন্সকী ৮০ শুবা এনিভর্সরি, জিও পোলিতিকেলগী ৱাফম, হৌজিক হৌজিক লৈরিবা হোট স্পোটশিং অমসুং মসিগা ভারতকা মরী লৈনবা ৱাফমশিংগী মতাংদা খন্নখি। ডাঃ জয়শঙ্করনা য়ুনাইতেদ নেসন্স জেনেরেল এসেমব্লিগী ৮০ শুবা মীফমগী প্রসিদেন্ট এনা লেনা বাইরবোক্কসু উন্নখি। মহাক্কী প্রসিদেন্সিদা ভারতনা মপুং ফানা শৌগৎলি হায়নসু ডাঃ জয়শঙ্করনা ফোংদোকখি।

ডাঃ জয়শঙ্করনা সাউদি অরাবিয়া অমসুং অলজেরিয়াগী মপান থৌরম মন্ত্রিশিংগসু উন্নদুনা লৈবাক মশেলগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ   বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা জিলা অসিগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথ্নরিবা অহানবা য়ুমাম মনাউ মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা য়ু.এফ.সি বিষ্ণুপুরনা আর.এফ.সি.সি কৈনৌবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

ফূটবোলঃ   ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চথ্নরিবা ২১ শুবা কে.কে. হেমদ্রিয়াল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পি.পি.সি তোকপা চীংনা অকসা ককচিং খুনৌবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

গেমস ঃ   দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিয়েসন থৌবালনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগা খুৎশমদুনা থা অসিগী ২৪ দগী থৌবাল মল্টি পরপজ ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথ্নরকখিবা দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস ঙসি লোইশিনখ্রে।

নুমিৎ মঙানি চথ্নরকখিবা গেমস অসিদা তোঙান তোঙানবা মশান্না ২০

লোমদা অথোাই অহেন তান্নখি। লোইশিনবগী থৌরমদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি ওক্রম ইবোবী, দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কমিতিগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা থৌবাল দি.সি- হনা কামৈ, লোক সভা এম.পি অঙামচা বিমোল অকোইজমনচিংবা শরুক য়াখি।

ব্রার্কসোপ ঃ মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা নেসনেল স্পোর্টস গর্ভনান্স এক্ট ২০২৫ অমসুং মণিপুর স্পোর্টস দিভলমেন্ট কোদ ২০২৪ গী মতাংদা ব্রার্কসোপ অমা হয়েং খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা ওলিম্পিক ভবনদা পাঙথোক্কদৌরি।

ক্রিকেটঃ য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটসকী অবু দাবীদা চঙ্খরিবা এসিয়া কপ ক্রিকেটকী ফাইনেলদা হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুং নুমিদাং পুং ৮ দা ভারতকা পাকিস্তানগা শান্নরগনি।

ঙসিগী মেটচ অসি এসিয়া কপকী ইতিহাসতা অহানবা ওইনা ভারত অমসুং পাকিস্তাননা ফাইনেলদা থেংনবা ওইগদৌরি।

------